# ইঙ্গিৎ অনোইগী প্রর্ফোমর 'অরিবম দেববর্ত্ত শর্ম্মা'

ঐচ রাজেসে



লমদম অসিগী মীয়াম্না য়াম্না পাম্নরবা আর্টফোমশিংগী মনুংদা য়াম্না পাম্নখৎলক্লিবা লোল য়াওদনা অয়েংবা ভাবোকশিংবু ইরায় লাইনা প্লে অমনা পীনিংলিবা মেসেজ অদুবু ইরায় লাইনা য়ৌহনবা ঙম্লিবা "ইঙ্গিৎ–অনোই"(মাইম) অসিসু অমা ওইরক্লি।

অসিগুম্লবা আর্টফোম অসিবু লমদমশিগী মীয়াম্না পাম্নরবা আর্ট ফোম অমা ওইরক্কবা হোৎনরকখিবা লমদম অসিগী ওইনা অমত্তা ঙাইরবা সংস্থান অমা ওইরিবা কংলৈ মাইল থিয়েটর,রেপর্টোরিনা তেনখ্রবা মতম খরা অসিদা লমদম অসিদা 'ইঙ্গিৎ–অনোই'গী প্লে অসিগী অনৌবা ষ্টেট অমা ফংহনবতা নত্তনা নেসনেল অমদি ইন্টরনেসনেল লেভেলদা পাঙথোকপা ফেষ্টিভেল কয়াদা শরুক য়াবদা নত্তনা মলেমগী ওইনা লম অসিদা অচৌবা ফিদা কনবা ঙম্লি।

অসিগুম্লবা লমদম অসিগী ওইনা য়াম্না চাওথোকচনিঙাই ওইরবা সংস্থান অসিগী ডাইরেক্টর অমা ওইনা ইঙ্গিৎ–অনোই (মাইম) প্লে অসিবু মলেমগী থাক্তা পুখৎনবা হোৎনরকখিবা ডা যুম্নাম সদানন্দাগী শেবোকহলশিংগী মনুং দা অরিবম দেববর্ত্ত শর্ম্মাসু অমা ওইরি।

ইং ১৯৭৫ গী জনুৱারিগী তারিক ১ দা মোইরাংখোম মখা যুম্নাম লৈকাইদা পোকখিবা অরিবম দেববর্ত্ত শর্ম্মা,অপোকপা অরিবম শামু শর্ম্মা অমদি অপোকপী গোরুময়ুম নীঙোল অনন্দী অনীগী মচানুপা অনী অমদি নুপী অমা পুন্না অহুমগী খ্বাইদগী অহনবনি।

অপোকপা অপোকপী অনীমক মতম অমগী থিএটরগী মশক নাইবা আর্টিসশিং ওইবনা দেববর্ত্ত য়াম্না অঙাং ওইরিঙৈ মতমদগী হৌনা কলকার অমা ওইবগী মগুনগা লোয়ননা অদুমক হৌরকখি।

কলাবু পামজনা হৌরকখিবা অপোকপা অপোকপীনা থৌনা ওইনা ইঙ্গিৎ–অনোইগী শক্লাইরবা দেভবরটা য়াম্না নৌনা লৈকাই অদুদা লৈবা পান্থোইবি নার্টিয়া মন্দিরদা মশাগী চহি ১১ শুবা মতমদগী চাইল্ড আর্টিস অমা ওইনা শত্তম লাংদুনা হৌরকখি।

শঙসথান অদুগী থিয়েটরগী শক্লাইরবা ডাইরেক্টর য়ুম্নাম রাজেন্দ্রা,খোগেন অমদি লৈখিদ্রা কে ঐচ রতন নচিংবা ডাইরেক্টর কয়াদগী লৌশিং গ্যান কয়া অমা ফংজখি।

মতম খরা পান্থোইবী নাট্যিয়া মন্দিরদা লৈরম্লবা সদানন্দাগী কংলৈ মাইম থিয়েটর রেপর্টোরি,ইমফালগী আর্টিস অমা ওইনা শরুক য়াবা হৌরকখি।

লমদম অসিদা ইঙ্গিৎ–অনোই (মাইম) গী অচৌবা অওনবা অমা পুরাক্লবা লমদম অসিগী অমত্তা ঙাইরবা সংস্থান অসিগী ডাইরেক্টর ডাঃ ৱাই সদানন্দানা হোৎনরকপা মতমদা ওজা অসিগী মীৎয়েং মখাদা পার্টফোমর অমা ওসনা শরুক য়ারকখি।

ইঙ্গিৎ–অনোইগী আর্টিস অমা ওইনা প্লে কয়াদা মরুওইবা শত্তম লাংবা অমা ওইনা লমদম অসিদা নত্তনা দিল্লি,মুমবাই,কোলকটা নচিংবা ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিং অমদি ইন্দিয়া ৱাংমা লান্দুনা সাউথ কোরিয়া,অরমেনিয়ানচিংবা কন্ট্রি কয়াগী অচৌবা ফমপাকশিংদসু পার্টফোমর অমা ওইনা শরুক য়ারুরে। হৌজিক ফাওবদা কে এম টি আরগী ডাইরেক্টর ডাঃ ৱাই সদানন্দাগী মখাদা ইঙ্গিৎ–অনোই শক্লাইরবা আর্টিস অসি শত্তম লাংখ্রবা প্লেশিং অদুদি –

বোট্টিং,দোল মাক্কিং,পৱার এক্ট,হনুবা হনুবী পান থাবা মণিপুর,মাস ওবিদেন্ট দোল,নাওটি বোই,মেজিক বোটল,মিমি ষ্টিক দান্স,মিরেল মশিংখা,লব ইয়োর নেটচর,নো বজেট নচিংবা প্লেশিং অসি শিংথানবা য়ারবা প্লেশিং ওইরি।

দিল্লি,কোলকটা,গুৱাহটি, উদাইপুর,জয়পুর,এলাহবাদ, অমদি ন্যু দিল্লিনচিংবা ভারতকী ষ্টেট কয়াদা পাংথোকখিবা নেসনেল মাইল ফেষ্টিভেলশিং লোয়ননা ভারত রনগা মাহোটনচিংবা কয়াদা পার্টফোমর অমা ওইনা শরুক য়ারকখ্রে।

লোয়ননা শক্লাইরবা অসিনা দব্লিউ জেট সি সিনা শিন্দুনা উদাইপুরদা ২০০৬কী দিসেম্বর ২৭ দগী ৩১ ফাওবা পাংথোকখিবা শিলপগ্রাম ফেষ্টিভেল,এন সি জেট সি সিনা শিন্দুনা ২০০৮কী ২১ দগী ২৫ ফাওবা এলাহবাদতা পাংথোকখিবা নেসনেল মাইম ফেষ্টিভেল অমদি নেসনেল স্কুল ওফ দ্রমা (এন এস দি)না শিন্দুনা পাংথোকখিবা নেসনেল থিয়েটর ফেষ্টিভেল ফোর চিলদ্রেন নচিংবা ফেষ্টিভেল কয়াদসু পার্টফোমর অমা ওইনা শরুক য়াবদা নত্তনা ২০১০ দা ন্যু দিল্লিদা পাংথোকখিবা মেটা ফেষ্টিভেলদা কে এম টি আরগী ডাইরেক্টর ডাঃ ৱাই সদানন্দাগী প্লে মিরেল মশিংখাদা পার্টফোমর অমা ওইনা শরুক য়ারকখি।

ইঙ্গিৎ–অনোইগী শক্লাইরবা অসিনা মাগী গুরু ডাঃ ৱাই সদানন্দাগী এষ্টিদেন্ট ওইনা সমর স্কুল থিয়েটর ৱাকসোপ ওফ পান্থোইবী নট্যিয়া মন্দির,এন এস দিগী এক্সটেন্সন পোগ্রাম অমদি দিল রেপর্টোরি থিয়েটরগী ক্লাসশিংদা শরুক য়াখ্রে।

নেসনেলগী থাক্তা পাংথোকপা ফেষ্টিভেলদা নত্তনা ভারতকী মপালদা সাউথ কোরিয়াদা ২০১১গী সেপটেম্বরদা পাংথোকখিবা চোন চিওন ইন্টরনেসনেল থিয়েটর ফেষ্টিভেল চহি অসিমক্কী ওক্টোবরদা অরমেনিয়াদা পাংথোকখিবা হাইট ফেষ্ট ইন্টরনেসনেল পার্টফোরমিং আর্ট ফেষ্টিভেলদা শরুক য়াখ্রে।

লোয়না লোয়ননা ২০০৭গী সেপটেম্বর ৬ দগী ১০ ফাওবা গ্রিসদা পাংথোকখিবা ৯শুবা ইন্টরনেসনেল পাপ্পেট এন্দ মিমি ফেষ্টিভেল ওফ কিলকিদসু পার্টফোমর অমা ওইনা শরুক য়ারকখি। কেরেলাদা পাংথোকখিবা ৮শুবা থিয়েটর ওলিমপিক ২০১৮দা কে এম টি আরগী ডাইরেক্টর ডাঃ সদানন্দানা ডাইরেক্টর ওইবা প্লে "লব ইয়োর নেটচর" হায়রিবা প্লে অসিদা পার্টফোমর ওইনা শরুক য়াখি।

মতম শাংনা সংস্থান অসিগী পার্টফোমর ওইনা শরুক য়ারক্লবা শক্লাইরবা অরিবম দেববর্ত্ত শর্ম্মা কে এম টি আরগী ডাইরেক্টর ডাঃ ৱাই সদানন্দাগী মখাদা ইহান হানবা ষ্টেট কলা একদেমিনা পীবা য়ঙ টেলেন্ট এৱাদ (মাইম) ফংবা ওইবতা নত্তনা গর্ভমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী দিপার্টমেন্ট ওফ কলচরনা পীবা নেসনেল স্কোলরসিপ অমদি জুনিয়র ফেলোসিপ (মাইম) ফংখ্রে।

লোয়না লোয়ননা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমি এৱাদ (মাইম) পীদুনা ইকায় খুম্নবা ফংখ্রবা ইঙ্গিৎ–অনোইগী শক্লাইরবা অসিনা ইহান হানবা মশাগী ইন্দিভিজ্যুল সোলো প্রদক্সন "র্সকল ওফ লাইফ,মিনিষ্টি ওফ কলচর,গর্ভমেন্ট এফ ইন্দিয়া অমদি দি কংলা গেট" হৌখিবা চহি ২০১৮গী এপ্রিলগী তারিক ৮ দা ইম্ফালগী বেন্নর মখাদা মাই পাক্লা উৎখি।

হৌখিবা চহি ২০১৮গী জুনগী তারিকক ৬ দা কে এম টি আরগী অনৌবা প্রদক্সন "নো বজেট" দা আর্টিস অমা ওইনা শরুক য়ারুরবা মতুং মশাগী খুদোংচাদবা আনবা অমানা মরম ওইদুনা কে এম টি আরগী ফমবাক্তগী মতম খরা লাপথোক্লরকপা অসিনা হেন্না অৱাবা অমা ওইহৌরিবা শক্লাইরবা ইঙ্গিৎ–অনোইগী ডাইরেক্টর অমসু ওইরিবা কে এম টি আরগী সেনিয়ার আর্টিস অরিবম দেববর্ত্তনা অথুবা মতমদা ফগৎলক্তুনা মহৌশাগুম কে এম টি আরগী ফম্বাক্তা হললক্তুনা হেন্না মঙম শান্না মথৌদাং পাংথোকপা ঙম্বা ওইরসনু হায়না পাউচে অসিগী মায়কৈদগী থমজরি।



## ষ্টেটকী থাক্তা শান্নবগী পাউদম

## অহানবা এম সি এ রাজনিংথৌ নীংশিং ট্রোফি
### টি সি এম দি সি অমদি ৱাই য়ু সি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,এপ্রিল ১৩ঃ

মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শিন্দুনা ঙসিদগী টিম ১২ না গ্রুপ–২ থোক্লা খাইদোক্তুনা ৱাই সি দব্লিউ ও গ্রাউন্দ শগোলবন্দ হৈনৌপোক অমদি লংথবাল পাব্লিক গ্রাউন্দা চত্থগদবা অহানবা এম সি এ অন্দর–১৬ বোইজ নাওরেম রাজনিংথৌ সিংহ নিংশিং ট্রোফি ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা টি সি এম দি সি থোংজু অমদি ৱাই য়ু সি ক্লকৈথেল মায় পাকখ্রে।

টুর্নামিন্ট অসিগী ৪শুবা মেটচ ওইনা ঙসিদ লংথবাল পাব্লিক গ্রাউন্দা শান্নখিবা মেটচতা টি সি এম দি সি থোংজুনা ট্রাউ ক্লকৈথেলবু রন ৮৩ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা টি সি এম দি সি থোংজুনা তোচ ঙমদুনা বেট্টিং হানা পায়বদা অপীবা ওভর ৩০ দা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ২৪০ লৌখি।

মসিগী পাউখুমদা ট্রাউ ক্লকৈথেলনা অপীবা ওভর ৩০ দা ৱিকেট ১০ তুরগা রন ১৫৮ খক লৌদুনা মেটচ অসি রন ৮৩ দা মায়থিবা নংখি।

টি সি এম দি সি থোংজুগী বেট্টিংদা তোনদোননা বোল ৭২ দা রন ৯২,কললিয়ানা বোল ৩৮ দা রন ৫১ অমদি অবিজেননা বোল ৫৩ দা রন ৩২ লৌখি।

ট্রাউ ক্লকৈথেলগী বোল্লিংদা রটিফকুমারনা ওভর ৪ দা ৱিকেট ৩,রোজিৎনা ওভর ৫ দা ৱিকেট ২ অমদি সোমোকন্তনা ৱিকেট ১ লৌখি।



ট্রাউগী বেট্টিংদা মনিখোম্বনা বোল ৪৫ দা রন ২৭,রোজিৎনা বোল ২৮ দা রন ২৪,রোসননা বোল ১৫ দা রন ২০ অমদি সঞ্জিৎনা রন ১৭ লৌখি।

টি সি এম দি সিগী বোল্লিংদা বিরজিৎনা ওভর ২ দা ৱিকেট ৩,আরবিননা ওভর ৬ দা ৱিকেট ২,ভেবেকান্দা অমদি কললিয়াননা ৱিকেট অমমম লৌখি।

মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচনা টি সি এম দি সি থোংজুগী রনদদ ৯২ লৌখিবা তোনদোননা তাখি।

৫ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি হৈনৌপোক গ্রাউন্দা শান্নখিবা মেটচতনা য়ং য়ুনাইটেদ ক্লব (ৱাই য়ু সি) ক্লকৈথেলনা পি টি সি সি পার্টসোইবু রন ৯৪ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা ৱাই য়ু সি ক্লকৈথেলনা তোচ ঙমদুনা বেট্টিং হানা পায়বদা ওভর ২৯.৪ দা ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ১৫৬ লৌখি।

মসিগী পাউখুমদা পি টি সি সি পার্টসোইনা ওভর ১৮.৩ দা ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ৬২ খক লৌদুনা মেটচ অসি রনদ ৯৪ দা মায়থিবা নংখি।

ৱাই য়ু সিগী বেট্টিংদা সোমোরাজনা বোল ২১ দা রন ৩৭,কদমজিৎনা বোল ৪৪ দা রন ২০ অমদি বিদিয়াশ্বোর সিংহনা রন ১১ লৌখি।

পি টি সি সিগী বোল্লিংদা অরুনকুমারনা ওভর ৬ দা ৱিকেট ৩,দোমিনিনা ওভর ৪.৪ দা ৱিকেট ৩,ব্রাইন অমদি চেম্পিয়ননা ৱিকেট ২ /২ লৌখি। পি টি সি সিগী বেট্টিংদা দোমিনিনা রন ১৩,মালংনা রন ৭ অমদি ব্রাইননা রন ৪ লৌখি। ৱাই য়ু সিগী বোল্লিংদা প্রিথিবীরাজ অমদি থৌঙম্বনা ৱিকেট ২ /২ অদুগা সঞ্জিৎ,সোমোরাজ অমদি দেবরাজনা ৱিকেট অমমম লৌখি।

মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচনা ৱাই য়ু সিগী ৱিকেট ১ অমদি রন ৩৭ লৌখিবা সোমোরাজনা তাখি।

## তরামথোইশুবা লোক্তাক ট্রোফি ২০১৯

ইম্ফাল,এপ্রিল ১৩ঃ

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা এন ঐচ পি সি প্রাইভেট লিমিটেদ লোক্তাক পৱার ষ্টেসন মণিপুরনা স্পোন্সর তৌরগা ওল মোইরাং ফুটবোল এসোসিয়েসন ( অমোফা)মোইরাংনা শিন্দুনা থা অসিগী ১০ দগী টিম ৬ না গ্রুপ–২ থোক্লা খাইদোক্তুনা মোইরাং মল্টিপ্রপস হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী গ্রাউন্দা চত্থরিবা ১১ শুবা লোক্তাক ট্রোফি ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ–এগী মেটচতা শগোলবন্দ য়ুনাইটেদ অমদি এস এস য়ু শিংজমৈ গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎত্তুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে।

মেটচ অসিদা শগোলবন্দ য়ুনাসটেদকী জর্সি নম্বর ৭ কে ফালগুনি অমদি জর্সি নম্বর ৫ দিনেসদা য়েলো কাদ বুক তৌখি।




## ইম্ফাল জোন হিরো–জুনিয়র লীগ
### নেরোকা অমদি বিরাচন্দ্রা দ্রো চৎখ্রে,ট্রাউ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,এপ্রিল ১৩ঃ

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা ঙসিদগী ইম্ফালগী খুমন লম্পাক তর্ফ গ্রাউন্দ্রা টিম ৪ না শরুক য়াদুনা ঙসিদগী ইম্ফাল জোন হিরো জুনিয়র লীগ ২০১৮–১৯ শান্নবা হৌখ্রে।

লীগ অসিগী ঙসি অহানবা গ্রাউন্দা শান্নখিবা মেটচতা নেরোকা অমদি বিরাচন্দ্রা মেমোরিয়েল স্পোর্টিং ক্লব গোল অমত্তা চন্দানা দ্রো চৎত্তুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে।

মেটচ অসিদা টিম অনীমক্লা য়াম্না লাম্বা চানা শান্নদুনা অমগা অমগা হেন্নদনা অকনবা মওংদা শান্নদুনা খুমন লম্পাক আর্টিফিসিয়েল তর্ফ গ্রাউন্দা মেটচ অসিবু য়েংবা লাকখিবা ভাবকশিংগী পুক্লিং চিংশিনখি।

টিম অনীমক্লা মাগী–মাগী এটেক্টিং জোনশিংদা লেপ্পা লৈতনা এটেক্ট কয়া চত্থন্নদুনা প্রেসর পীশিন্নখি। অদুবু টিম অনীমক্কী শান্নরোইশিংনা নিংথিনা শান্নবদগী টিম অনীমক্কী এটেক্টশিং অদু গোলদা ওন্থোকপা ঙম্নদনা মেটচ অসি লোইবা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা টিম অনীমক্লা পোইন্ট অমমম য়েন্নদুনা মেটচ অসি লোইশিনখি।

মেটচ অসিদা নেরোকাগী জর্সি নম্বর ৫ য়ুংখাইবম অমীৎ মেটচকী মিনট ৪২ অমদি ৮৩ দা য়েলো কাদ বুক তৌবদগী মেটচকী মপাল থোকখি অদুগা বিরচন্দ্রাগী জর্সি নম্বর ৭ খারিবম প্রাভন্দা মৈতৈদা য়েলো কাদ বুক তৌখি।



অনীশুবা গ্রাউন্দা শান্নখিবা মেটচতনা ট্রাউনা এফ সি ইম্ফাল সিটিবু গোল ৪–২ দা মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট ৩ ফংখ্রে।

মেটচ অসি হৌরকপদগী ট্রাউনা এফ সি ইম্ফাল সিটিবু লাকশিন্না শান্দুনা লেপ্পা লৈত্তনা প্রেসর পীশিন্দুনা গোল একাউন্ট হাঙনবা হোৎনন্নখি।

মদুগী মঁহে ফংদুনা মিনট ২২ চপিদা ট্রাউগী ফোরৱাদ জর্সি নম্বর ৮ য়ুম্নাম মোনিসনা গোল একাউন্ট হাঙদুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

এফ সি ইম্ফাল সিটিনা শোখরিবা গোল অদু হাল্ফ মমাঙদা হন্দোক্লবা হোৎনরক্তুনা এটেক কনশিলকখি। টিম অসিগী জর্সি নম্বর ১২ এলেক্স লোঙজমনা বোক্স মপালদগী হাল্ফ ভোল্লিদা কাউশিনখিবা বোল অদু নেটকী য়েৎ থংবা কাচিন্দা চঙহন্দুনা গোল অদু হন্দোক্তুনা ১–১ দা মান্না লৈখি।

অদুবু মিনট ৩৮ চৎপদা এফ সি ইম্ফাল সিটিগী গোবিন মৈতৈনা ট্রাউগী মহেসতা বোক্স মনুংদা ফাউল তৌরুবগীদমক ট্রাউগী মায়কৈদা পেনালটি অমা ফংখি।

পেনালটি অদু জর্সি নম্বর ৩৮ মহেস মশামক্লা গোলদা ওন্থোক্তুনা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ২–১ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফতসু ট্রাউনা থৌনা হনবা লৈত্তনা অহেনবা গোল হাপচিন্নবা হোৎনদুনা শান্নখি। মেটচকী মিনট ৪৯ চৎপদা মহেসনা এফ সি ইম্ফাল সিটিগী দিফেন্দর ৩ তুংইন্নরমল্লগা পুশিনখিবা বোল অদু গোলদা ওন্থোক্তুনা মহাক্কীনা ২শুবা অমদি টিমগীনা ৩শুবা গোল অদু চন্দুনা ৩–১ দা মাঙজিল থাখি।

ট্রাউগী ৪শুবা গোল অদুনা অপীবা মিনট লোয়রমদাই ৮৭ দা জর্সি নম্বর ৯ ৱাই ৱারিসনা চন্দুনা ৪–১দা লৈদুনা মায় পাকপগী অচেৎপা য়ুন্ফম অদু থোনখি।

এফ সি ইম্ফাল সিটিগী ২শুবা গোল অদু সবটিট্যুদতগী চঙলখিবা জর্সি নম্বর ৭ শেরাম প্রদিপকুমার মৈতৈনা চনখ্রবসু মেটচ অসি গোল ৪–২ দা মায়থিবা নংখি।

লীগ অসিগী মথংগী মেটচ থা অসিগী ১৬ কী অয়ুক পুং ১০.৩০ দা নেরোকা অমদি ট্রাউগা শান্নগনি। অদুগা নুংথিল পুং ২.৩০ দা অনীশুবা মেটচ ওইনা বিরাচন্দ্রা অমদি এফ সি ইম্ফাল সিটিগা শান্নগনি।

## অহানবা মাইচোন ফুটবোল
### সেমি ফাইনেল লাইন অপ লোয়খ্রে

ইম্ফাল,এপ্রিল ১৩ঃ

মণিপুর ইমাগী চাঙদম্নাফম ওইবা নচাশিং (মাইচোন) চরাংপাট মমাঙ লৈকাইনা শিন্দুনা মমাঙ থাগী ২৯ দগী টিম ১২ না গ্রুপ ৪ থোকনা খাইদোক্তুনা চরাংপাট মমাঙ লৈকাই পোলো গ্রাউন্দা চত্থরকপা অহানবা মাইচোন ট্রোফি ২০১৯ ৭–এ সাইদ ষ্টেট লেভেল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টগী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিংদা মৈরা এফ সি অমদি এ২ পার্টসোই মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দা মৈরা এফ সিনা তোলহৈ এফ সিবু গোল ৫–২ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখি।

মায় পাক্লবা মৈরা এফ সিগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ১১ সাহিদুরনা মিনট ৫ অমদি ১৯ দা গোল ২ অদুগা জর্সি নম্বর ৩ আজিৎনা মিনট ১৩ দা গোল ১ চনখি।

অনীশুবা হাল্ফতা চনখিবা অতোপ্পা গোল ২ অদুনা জর্সি নম্বর ৯ প্রিয়োনা মিনট ৪৩ অমদি ৪৮ দা গোল ২ চনখি। মায়থিরবা তোলহৈ এফ সিগী গোলশিং অদুনা রোবিন অমদি কেনিয়োনা চনখি।

৪শুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দনা এ২ পার্টসোইনা এফ এফ সি অঙথাবু গোল ৮–৩ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখি।

এ২ পার্টসোইগী গোলশিং অদু মহেসনা গোল ৫,চাউবা,নিলকন্তা অমদি ইমারনা গোল অমমম চনখি।

অঙথাগী গোলশিং অদুনা মঙলেম্বা,ঙান্থোই অমদি বিকিনা চনখি।

## অনীশুবা পি ঐচ ধর্মচন্দ্রা নিংশিং ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল,এপ্রিল ১৩ঃ

ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা ৱাই এস এস য়ু আন্দ্রানা স্পোন্সর তৌরগা অন্দ্রো মাচেংপাৎ য়ুঠ ক্লব ( এ এম ৱাই সি ) শিন্দুনা এ এম ৱাই সিগী গ্রাউন্দা টিম ৮ না গ্রুপ–২ থোক্লা খাইদোক্তুনা থা অসিগী ১২দগী চত্থরকপা অনীশুবা পি ঐচ ধারমাচন্দ্রা সিংহ নিংশিং ষ্টেট লেভেল মেন্স ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দা কে ৱাই এল সি কচিখুলনা এ এম ৱাই সি অন্দ্রোবু সেট ৩–১ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা কে ৱাই এল এস সিনা পোইন্ট ২৬–২৪,২৫–২২,২১–২৫,২৫–১৬ স্কোর তৌখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দনা এম এস ভি টি মণিপুরনা টি ৱাই দব্লিউ সি থমনাপোকপীবু সেট ৩–২ দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অসিদা এ এম এস ভি টি মণিপুরনা পোইন্ট ২৫–২১,২১–২৫,২০–২৫,২৫–২২,১৫–১২ স্কোর তৌখি।

৩শুবা গ্রাউন্দনা ৱাই এম দি ও হৈরাংগোইথোংনা এন ৱাই ভি এ নাওরেমবু সেট ৩–১ দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অসিদা ৱাই এম দি ও হৈরাংগোইথোংনা পোইন্ট ২৫–২২,২৫–২১,২২–২৫,২৫–১৯ স্কোর তৌখি।

৪শুবা গ্রাউন্দা শান্নখিবা মেটচতনা এম এস ভি টিনা আই জি ও ওইনামবু সেট ৩–১ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা এম এস ভি টিনা পোইন্ট ২৬–২৮,২৫–১৯,২৫–২২,২৫–১০ স্কোর তৌখি।

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com